থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# হর ঘর তিরঙ্গ... য়ূমথোঙ খূদিং মচু অহুম...

‘অজাদি কা অমৃট মহোটসব’- ‘নীংতম্বগী শিদ হীদাক্কুল্লবা অচৌবা কুম্মৈ’ হায়না ইমালোলসিদা হনবা তা’মাল্লে, চয়োল হুম্ফুতরামঙাগী মমাঙদগী, ইন্দিয়া’না নীংতম্বা লৈপাক অমা ওইরকপা চহী হুম্ফুতরামঙা শুরকপগী নীংশিং থৌরম পাঙথোরকপসিগী শরুক অমা ওইনা, চৎলিবা চহী (২০২২) অসিগী নীংতম নুমীৎ পাঙথোকপসিদা, লৈপাকসিদা লৈরিবা য়ূমকোক খূদিংমক্তা মচু অহুমগী ফিরাল (নেসনেল ফ্লেগ) পাইহনগনি হায়বসি- সেন্টরদা পাল্লিবা মোদি-লৈঙাক অসিগী ফিরেপনি। মণিপুরদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনসু, মাগী মাগী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মন্দল-ওফিস-বিয়ররশিংগী খূত্থাঙদা ‘হর ঘর তিরঙ্গ’গী থৌরম অসি মপূম-ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনরি- ওগষ্ট ১৩দগী ১৫ ফাওবা য়ূম-য়ূম খূদিংদা মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্নবা। অদুবু, ঐগী চন্নবা থম্মোয়সিদা ফাওরকপা ৱাখলনি- মণিপুর কৌবা লমদমসিদদি থৌরম অসি মপূম ফাগনি থাজদে। লৈরক-খুল্লক কোয়না চত্তুনা য়েংলুবদা ফিরাল-থেৎপা-য়ূমকোক মশীং, খুৎ থেক্তুনা পাবা য়াগনি, পংয়াম য়াম্না উরক্তে। পাউনা-বজার পরীংদা, দুকানশিংগী মমাঙদদি অমমম থেৎহৌবরা! ফিফতিন্থ ওগষ্ট- ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স দে, মতম অমদা স্কুল-কোলেজ-ওফিস খূদিংমক্তা চহীগী মরুওইবা নুমীৎ অমা ওইরম্বদু বন্দ/জেনরেল-ষ্ট্রাইক’না লৈতেংলবা নুমীৎ অমা ওইরবনি- য়ুমথোঙ খূদিং মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্নবই থৌনা কদায়দগী তাশিল্লুনি। অদুগীসু মথক্তা ওগষ্ট ১৩, নীংতম্লম্বা মণিপুরগী-নীংতম্বা মাঙখিবা নুমীৎ অমনি খন, অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তল্লিবা নুমীৎ অমনি। অদুগা ওগষ্ট ১৪- মাঙলুরবা নীংতম্বা, চহী ৫৬কী মতুংদা বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্লম’ ময়ূম-লম’দা হনখিবা, নীংতম্বা হনজীনহনখিবা নুমীৎ ‘মণিপুর ইন্দিপেন্দেন্স-দে’ নুমীৎনি। মতম অমদা সিগ্নিফিকেন্স লৈতবা নুমীৎ অমা ওইরম্বদু, ঙসিগী মীরোল অসিদদি নুমীৎ অসি পালন তৌগদবনি হায়বা কাঙলুপ অমসু থোরক্লে। ‘হর ঘর তিরঙ্গ’- থৌরম অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা থৌরাংলম্বা বি জে পিগী থৌমীশিং- ‘ৱাটচএপ গ্রুপ’তুগী খুত্থাংদা পাউজে ল্লকখি- ‘ওগষ্ট ১৩ অমসুং ১৪, মণিপুরগী ওইনা অখন্নবা নুমীৎশিং অসি ওইখিবনা, য়ূমথোঙ খূদিং মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনবগী থৌরমসি ওগষ্ট ১৫, নুমীৎসিখক্তদা পাঙথোক্লগনি’। শেংদোক-ৱারোল অসি পীরক্লিবগী অতোপ্পা মরম অমা শোয়দনমক্কী লৈরমগনি হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি।

ওইনীংবদু ওইরসনু, ইন্দিয়া’না নীংতম্বা লৈপাক ওইরকপা চহী ৭৫ শুরকপগী সেলেব্রেসন ২০২১ মার্চ ২১দগী হৌরগা চয়োল ৭৫ চুপ্পা পাঙথোক্লিবা, ২০২৩গী মার্চ ১৫দা লোইশিন থৌরম পাঙথোক্কদবা ‘অজাদি কা অমৃট উৎসব’ অসি নীংশিংলুরগা, ৱারেঙজরিবা ইশামক্লা ইদুনা, ইশাগী থিয়েতর গ্রুপ’না দ্রামা ওইনা শান্নখিবা প্লে (লোইনাইদবা খোঙচৎ) অদু নীংশিংলকই। ৱাথোক অমা তুংওইনরকপদগী প্লে অদু অনীরক হন্না শান্নখিদে। ১৯৮৯গী ৱানি। প্লে’দুগী প্রোটাগোনিষ্ট, ‘ষ্টুদেন্ট-লীদর’, অদুবু ‘ইন্দিয়ন অমা ওইনা ঐখোয় নীংতম নুমীৎ (ইন্দিপেন্সেন্স দে) পালন তৌবা তোক্লুসি... ঐখোয় বৃটিশশিংগী মখা পোন্না, মীনায়গুম্না লৈরম্মী হায়বসি নীংশিংলগুমসি... বৃটিশশিংবু তমথীবা (নুংশি হৈতবা), ইন্দিয়নশিংবু ওৎ-নৈখিবা ফুরুপ ওইনা উহনবা ৱারী-শীংবুল লীরগুমসি’ হায়বা স্লোগান অমা লাউহল্লুবগী ৱাথোক্লি। রুল্লরশিংনা মীচম-প্রজাবু ওৎ-নৈবগী ৱারীসিদি লৈপাক খূদিংমক্কী ইতিহাসকী লামায়দা থেংনরিবদুনি, নিংথৌগী মায়োক্তা লৈবশিং-মীচম প্রজাদি হায়রুনু পোকমীন্নবা মচিন-মনাও, মপা/মচাফাওবা হাত্তোক্লবই ৱারী পারকখ্রে। জালিয়ানৱালাবাঘকী মীহাৎ য়াথং তৌখিবা ‘জেনরেল দায়রগুম’, বৃটিশ আর্মি খূদিংমক্তি ওইখিদেদনা। মীনুংশি চাউবা, ইন্দিয়নশিংবু নুংশিবা, ফত্তবা চৎনবী মুথৎ-সোসল রিফোর্মেসন পুরকখিবা ওফিসর-রুল্লর কয়াসু য়াওখিবনি। নীংতম্বা নুমীৎকী নীংশিং-ৱারী লীবদা বৃটিশশিংগী তমথীবা মতৌ, মীওৎ-মীনৈগী ৱারীদুতনি হঞ্জীন-হঞ্জীন লীরিবা। মখোয়বু ইন্দিয়াদগী তাম্থোক্লবা অকনবা অন্দোলন অদুগী লুচিং-পুরেন ওইখিবা ‘মোহন্দাস করমচন্দ গান্ধী’বু ঈকায়খুম্নবগা লোয়ননা ‘গান্ধী’গী-ৱাখল-খূৎখন অদুবু ‘গান্ধীয়ন থোত’ হায়না মমিং থোল্লগা য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা, মীওইবদা তন্বীনবা সবজেক্ট অমা ওইনা হৌদোকখিবা- বৃটিশ’শিংননি। মখোয়না ইন্দিয়নশিংবু, চহী ৭৫গী মমাঙগী ইন্দিয়ন অদুগুম উরম্লবা, ইন্দিয়ন-ওরিজিন-বৃটিশ-পোলিটিসিন অমনা ঙসি, বৃটিশ পার্লিয়ামেন্ট প্রাইম মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেত অমা ওইনা শকখঙলল্লোই। রিসি (ধৃষি) সুনক, ঙসিগী বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরিএল, বৃটিশ সিটিজেন ওইজরবসু মশামক ‘হিন্দু’নি হায়বসি চাউথোকচনা হায়রিবনি। ২০০৪, ইন্দিয়ন পোলিটিক্স’তা লাকখিবা তর্নিং পোইন্ত অমদা ‘ইন্দিয়ন নেসনেল কোংগ্রেস’না লুচিংবা য়ু পি এ লৈঙাক লাকখিবা ইতালিয়ন ওরিজিন (ইন্দিয়ন মমৌ) অমবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা পার্টি লীদরশিংনা খল্লবদু ‘ফোরেনর অমনা ইন্দিয়াগী প্রধান মন্ত্রি ওইবা য়ারোই’ হায়বা খোল্লাও লাউরকপদগী ‘সোনিয়া গান্ধী’ প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌ য়াখিদে। মসিনি ইন্দিয়ন মাইন্দ-সেত অমদি বৃটিশ মাইন্দ-সেত অনীগী খেন্নবা।

য়ূমদা মচু অহুমগী ফিরাল হেক্তা থেৎলগা মরৈবাক নুংশিবা ইন্দিয়ন সিটিজেন অমনি লৌবদি পুমুম্ম চুপ্পা ৱাখল ওইগনি থাজদে। শক-চু-লোল-হৌরকফম মান্নদবা মীওইশিংগী মমায়দা তিন শীৎশিনগনি খনবা ৱাখল, মিনিষ্টর (পোলিটিসিয়ন) ওইরগা ময়ূমদা শেলনা চীংগুম পৈগনি- করপসন তৌগনি-শেল চাগনি খনবা অরানবা ৱাখল অদু তাম্থোকখিবনা, য়ূমদা মচু অহুমগী ফিরাল থেৎকনি অমদি অতোপ্পবুসু থেৎহনগনি খনবা ৱাখলদুদই হেন্না মরুনি।

লৌশিং পুক্কে

# হক্কী ঈশিংদা টেষ্ট

## তৌরগা ষ্টোমাক কেন্সর খঙদোকপা ঙম্লগনি

শেল চঙনা চৈনাখোল ফাওবা মওংদা চাংয়েং তৌদ্রবসু ইচম চম্না হক্কী ঈশিংদা য়েংলগা চাকখাউগী কেন্সর খঙদোকপা ঙম্লে হায়না অনৌবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

শাংহাই রিছার্চ ইনষ্টিট্যুট ওফ দাইজেষ্টিভ সর্জরিগী প্রোফেসার ঝু ঝেংগাংনা লুচিংদুনা চত্থখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, ষ্টোমাক কেন্সরবু অরায়বা মওংদা হৌগৎলকপগী তাঙক্তা খঙদোকপা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরবনিনা মতম চানা লায়েংদুনা ফহনবা ঙম্লগনি। কেন্সরনা নারবা মীওই অয়াম্বা মতম চানা খঙহৌদবদগী লায়েংবা ঙমদবনি।

ইন্টরনেসনল একাদেমীক জর্নেল ‘ওনকোটাগেট’ তা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা প্রোফেসার ঝু ঝেংগাং অমসুং য়ু য়িংয়াননা হায়খি, কনাগুম্বা অমদা গ্যেষ্ট্রোস্কোপ টেষ্ট তৌদুনা ষ্টোমাক কেন্সর নারে হায়বা খঙলকপা মীৎকুপতদি কা হেন্না থেঙমনখিবা মরম্না লায়েংবা ঙমদবনি। অদুবু হৌজিক্তি ইচম চম্না হক্কী ঈশিংদা চাংয়েং তৌরগা লায়না অসি অরায়বা মওংদা মতম চানা খঙদোকপা ঙম্লগনি। রিছার্চরশিংনা অনৌবা থৌরাং অসি ক্লিনিকেলগী থাক্তা চাংয়েং তৌনবা হোৎনরি।

চাকখাউগী লাইনিংদা কেন্সরস সেলশিং শেমগৎলক্লবা মতমদা ষ্টোমাক কেন্সর ওইরকপনি। হায়রিবা কেন্সর মখল অসি ঙল্লিঙৈদা লায়ওং অমত্তা উৎথোরক্তবা মরম্না ফীভম হেঞ্জিনখ্রবা মতমদতা খঙলকই। গ্যেষ্ট্রিক কেন্সর হায়নসু খঙনবা লায়না অসি কেমোথেরাপি, রেদিয়েসন থেরাপি অমসুং সর্জরিগী মতেংনা লায়েংই।

নেসনল কেন্সর ইনষ্টিট্যুট (এন সী আই)গী রিপোর্ট মতুংইন্না মমাঙ চহীদা লায়না অসিগী অনৌবা কেস ২৪,৫৯০ হেনগৎলকখি। অতৈ অতোপ্পা কেন্সর মখলশিংগা য়েংনবদা চাং খরা নেম্না লৈরবসু ষ্টোমাক কেন্সরগী য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবসি মতম চানা খঙদোকপা ঙমদবা হায়বসিনি। হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা কেন্সর শন্দাকখ্রবা মতুংদতা খঙলকপা মরম্না লায়েংবদা ৱানা থোকই। চাকখাউ (ইসোফেগস য়াওনা) হায়বসি দাইজেষ্টিভ ট্রেক্টকী মথক থংবা শরুক অমনি। চাকখাউনা চীঙাক তুমহল্লবা মতুংদা স্মোল ইন্টেষ্টাইন অমসুং লার্জ ইন্টেষ্টাইননচিংবা অতৈ দাইজেষ্টিভ ওর্গানশিংদা থাদোকখি। অপ্পর দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমদা মশা-মউ ফবা সেলশিংদা অশোয়বা লৈরকপদগী থিংবা ঙমদবা মওংদা মশীং হেনগৎলক্তুনা ট্যুমর ফোর্ম তৌরক্লবা মতুংদা ষ্টোমাক কেন্সর ওইরকপনি।

লায়না অসি ওইহল্লকপা য়াবা রিস্ক ফেক্টরশিংদি লিম্ফোমা (ব্লদ কেন্সর মখল অমা), ঐচ পাইলোরিনা ইনফেক্সন তৌবা (অলসর ওইহল্লকপা য়াবা চাকখাউগী ইনফেক্সন), দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমগী অতোপ্পা মফমদা ইনফেক্সন তৌবা অমসুং ষ্টোমাক পোলিপ (থিংবা ঙমদবা মওংদা চাকখাউগী লাইনিংদা টিস্যু হেনগৎলকপা) অসিনচিংবনি।

মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা মীওইশিং, মৈখু শীজিন্নবশিং, ইমুং মনুংগী ঈ মরীদা কনাগুম্বা মীওই অমা লায়না অসি নাখিবা, থুম য়াম্না চাবা, প্রোসেস তৌরবা অচাপোৎ তোয়না চাবা, শা য়াম্না চাবা, য়ু য়াম্না থকপা, হকচাং শাজেল তৌদবা অমসুং মওং মরিল তানা থোং থাক্তবা চীঞাক চাবা হায়বসিসু মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরনি।

লায়না অসিগী মরুওইবা লায়ওংশিংদি কোক ঙাওবা, ওনিংবা, ওবা, তোয়না থবাক শাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, খজিক্তং চারগা হেক্তা পুক থনবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, মীৎ অমদি উনসাদা নাপু মচু চঙলকপা (জোন্দিস), কা হেন্না হকচাং চোকথবা অমসুং পুক নাবা অসিনচিংবনি। মরুওইনা চাক চাবা হেক তোকপগা পুক নাবা থেংনৈ।

ঙল্লিঙৈদা ষ্টোমাক কেন্সরগী লায়ওং উৎথোরক্তবা মরম্না অয়াম্বা মতমদা লায়না অসি হৌগৎলকপদা খঙবা ঙমদে। দাইগনোস তৌবা মতমদা ডোক্তরনা অহানবদা হকচাংগী কয়াৎশিংদা করি করম্বা অশোয়বা লৈবগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা ব্লদ টেষ্ট তৌদুনা ঐচ পাইলোরি বেক্টিরিয়া য়াওবরা য়েংই। ডোক্তরনা ষ্টোমাক কেন্সরগী চিংনবা লৈরবদি মখা তাবা টেষ্ট ওইনা অপ্পর জি আইনচিংবা লৌরগা কনফার্ম তৌনবা হোৎনৈ। লায়না অসি লৈরে হায়বা চপ চানা খঙলবদি কেমোথেরাপি, রেদিয়েসন থেরাপি, সজ’রি অমসুং ইম্যুনোথেরাপিগী মতেংনা লায়েংনবা হোৎনৈ।

অদুবু করম্বা মফমদগী হৌরকপগে অমসুং অনাবগী ফীভম কদায় য়ৌশিনখ্রবগে হায়বদুগী মতুংইন্না লায়েংবগী মওং খেন্নৈ। লায়েংবগী মওংদি চাকখাউদা লৈরিবা কেন্সর সেলশিং হাৎতোকপগা লোয়ননা হকচাংগী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোরক্তনবা হোৎনবনি। করিগুম্বা মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি ষ্টোমাক কেন্সরনা লংস, লিম্ফ নোদ, শরু অমসুং লিভর য়ৌনা শন্দোকখিবা য়াই।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবগী পাম্বৈ লৈত্রিবা লায়না অসিগী রিস্ক হন্থহন্নবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎহন্দবা, মচি ওইবা চীঞাক মচল শুনা চাবা, ফেটকী শরুক কা হেন্না চাদবা, য়ু থক্তবা, মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা অমসুং চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা অসিনচিংবনি। কনাগুম্বা মীওই খরদা কেন্সর ওইরকপা য়াবা লায়না নারম্বা থেংনরবদি ডোক্তরনা ষ্টোমাক কেন্সরগী রিস্ক হন্থহন্নবা হীদাক থাবা য়াওই। চাং নাইনা স্ক্রিনিং টেষ্ট তৌরগা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# লম্লাই এ সীগী চল্লৌদা লৈরিবা সেন্ট্রেল হায়স্কুল এদেদ স্কুল অসি লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবদা লৌশিনবিয়ু : জিতেন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টগী স্কুলশিং নোংম-নোংমগী শিথরকপগী ফীভমদা লৈরে। অদুবু ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী চল্লৌদা লৈরিবা কুমজা ১৯৭০দা লিংখৎখিবা য়াম্না লিরবা সেন্ট্রেল হায় স্কুল, (এদেদ) স্কুল অসি ওজাশিংনা য়াম্না কন্না থৱায় য়াওনা হোৎনজবদগী স্কুল অসিদা মহৈরোয় মশিং য়াম্না তম্বগা লোয়ননা অফবা মহৈরোয় কয়াসু পুথোকখ্রে। চহী কয়া অৱাবা খাঙদুনা হোৎনজরক্লবা এদেদ স্কুল সেন্ট্রেল হায় স্কুল অসি লৈঙাক্না মপুং ফনা অথুবদা লৌশিনবিয়ু হায়না স্কুল অসিগী স্কুল মেনেজিং কম্মিটি (এস এম সী)গী সেক্রেটরি দল্লিয়ু জিতেননা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি স্কুল অসিদা পাঙথোকখিবা হর ঘর তিরঙ্গাগী শরুক অমা ওইনা মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মীওই লিশিং ৭ হেন্না লৈরিবা লম্লাই ম্যুনিসিপালিটি কাউন্সিল অসিদা স্কুল অসি নত্তনা অতোপ্পা গভর্ণমেন্ট স্কুল অমদি এদেদ স্কুল অমত্তা লৈতে। হৌজিক-হৌজিক স্কুল অসিদা ক্লাস সিক্সতগীনা টেন ফাওবদা পুন্না মহৈরোয় ১৭৫ লৈ। লোয়ননা স্কুল অসিগী কেম্পসতা লৈঙাক্কী প্রাইমরি স্কুল অমসু লৈ। মসিদা গভর্ণমেন্টগী ওজা নুপী অনীখক লৈরি। অদুবু ওজা অনী অসিগী মনুংদা ওজা অমদি মেটরনিটিগী ছুটি জুলাই থাদগী লৌখ্রে। মরম অদুনা ওজা অমখক লৈবা মরম্না সেন্ট্রেল হায়স্কুলগী ওজাশিংনা অহেনবা মতম কায়থোক্তুনা মহৈরোয় ৯০ লৈরিবা প্রাইমরি স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংদসু তাকপী তম্বিরি হায়খি।

স্কুলসিদা এপ্রুভ তৌরবা ওজা মরি অমদি এল দি সী অমগা পুন্না ষ্টাফ মঙা লৈরি। মখোয়শিং অসিগী ফংবা তোলোপনা স্কুল অসিদা লৈরিবা ওজা ১৫ অমদি পিওন অমা য়াওনা ষ্টাফশিংদা য়েহ্নোক্তুনা অমদি তোঙান-তোঙানবা স্কুলগী থবকশিং পায়খৎতুনা স্কুল অসি হিংহন্দুনা লাকখি। লম্লাই ম্যুনিসিপালগী মনুংচন্না গভর্ণমেন্টগী অমত্তা ঙাইরবা এদেদ স্কুল অসি মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টরনি হায়না লৌনরিবা সী এম নোংথোম্বম বিরেননা মীৎয়েং চঙবিদুনা পুন্না মহৈরোরয় ২৬৫ রোম তম্লিবা গভর্ণমেন্ট প্রাইমারি স্কুল অমদি সেন্ট্রেল হায়স্কুল অসি য়াম্না ফজনা রন তৌদুনা লৈরি। মরম অদুনা স্কুল অসি অমুক্কা হেন্না মপুং ফাবা অফবা স্কুল অমা ওইবা ঙম্নবা লৈঙাক্কী মপুং ফাবা স্কুল অমা অথুবদা ওইহনবিয়ু। স্কুল অসি লৌশিনবিরবদি লায়রবা ইমুং-মনুংনা নম্না লৈরিবা মহৈরোয়শিং মীমান্নবা অমদি মখোয়গী করিয়রদা চাওনা অওনবা অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা সেন্ট্রেল হায়স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা নেসনল শোং অমদি ষ্টেটকী শোংসু শকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরালসু চিংখৎখি। ঙরাংসু স্কুল অসিদা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমীৎ থৌরমগা মরি লৈননা অথৌবশিংগী অয়েকপা শক্তমদা স্কুল অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি হায়রি। থৌরমদুদা স্কুল অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি।

# অফবা মহৈরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস):

বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) অমসুং কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী হন্দক হায়দোকখিবা এগজামিনেসন অদুদা পাস তৌরকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা কৈরাও বিত্রগী মহৈরোয়শিং তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

য়ুথ দিভেলপমেন্ট সেন্টর ক্লব কৈরাও বিত্রনা শীন্দুনা ঙসি খুল অসিগী নোংপোক নিংথৌ ইমা পান্থোইবীগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ব এগজামদা ফর্ষ্ট দিভিজনদা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয় ৩০ য়াওনা পুন্না মহৈরোয় ৪২দা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা কৎলকপা য়াওনা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী মনাশিং লান্থোকখি।

ৱাই দি সী সী কৈরাও বিত্রগী প্রসিদেন্ট পুথেম ইবোচানা হায়খিবদা, হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংনা মশাগী তুংগী পুন্সিদা অফবা মীশক অমা ওইনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা শৌগৎপা অমদি লমজিংবা মথৌ তাই। লাইরিক তম্লিবনি হায়দুনা মখোয়বু য়েংশিনবীদ্রবদি মশানা পাল্লিবা পান্দম ফংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা ৱাই দি সী সীনা থৌদাং লৌদুনা মহৈরোয়শিংবু খুন্নাই অসিদা অচঙবা মীশক অমা ওইহন্নবা পান্দমদা তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লোয়ননা লাইরিক তমজনিংবা মহৈরোয়শিংগীদমক ক্লব অসিনা অঙম্বা মতেং পাংনবা মতম পুম্বদা শেম-শাদুনা লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা ৱাই দি সী সীগী এদভাইজরসু ওইরিবা অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়াইরিপোক্কী রিটায়র্ড প্রিন্সিপাল মুতুম জাদুমনি, মহৈরোয় ৪২দা মনা পীবগী দোনর ওইরিবা ইরিলবুং হায় স্কুলগী রিটায়র্ড টিচর তাওরেম ইবোহল অমসুং দোনর হৈখাম লোকেননচিংবা মীওইশিংনা থৌরম অদুগী মরুওইবশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# নুমীৎ ৯০নি চত্থগদবা ইন্টেন্সিভ ট্রেনিং কোর্স হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস):

দান্স দ্রামা ম্যুজিক রিপর্টোর য়ুনিয়ন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা মণিপুরী ক্লাসিকেল দান্সকী মতাংদা নুমীৎ ৯০নি চুপ্পা চত্থগদবা ইন্টেন্সিভ ট্রেনিং কোর্স হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরোং লাইফম্লেন ইরোইশেম্বদা পাঙথোকখিবা ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ক্রিটিক ফোরম মণিপুরগী হান্নগী সেক্রেটরিসু ওইরম্বা মমিং লৈরবা ক্রিটিক রাজমনি অয়েকপমনা অথোইবা মীথুংলেন, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হান্নগী উপ-অধক্ষাসু ওইরম্বা সোসল ৱার্কর এস মেরাজাওনা থৌরম মপু অমদি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী প্রধান গুরু ঙাইথেম রঞ্জিৎনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দান্স দ্রামা ম্যুজিক রিপর্টোর য়ুনিয়ন মণিপুরগী দিরেক্টর রঞ্জিৎ অধিকারিময়ুমনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা ঙসি ফাওবা শারিবা ক্লাসিকেল জগোয় অসি মপুং ইফা ফাদবগুম তৌরি। মতমগী মতুংইন্না জগোয়গী খুৎথেক্তসু অওনবা কয়া লাক্লি। অদুবু মণিপুরী ক্লাসিকেল জগোয়গী মপুং ফাবা জগোয় শাবী, জগোয় শাবা পরিং তৎতনা নৈনহৌনবা মপুং ওইনা ক্লাসিকেল নাইতোম জগোয় শাবদা তঙাইফদবা খঙদবা য়াদ্রবা মণিপুরী জগোয়গী অহানবা খোঙথাং ওইরিবা ওজাশিংনা থম্বীরম্লবা চালি জগোয়গী পরিংশিং ট্রেনিং কোর্স অসিদা তাকপী তম্বীবগী থবক তৌগনি। মসিদা নত্তনা জগোয় শাবা মতমদা হকচাং কয়াৎশিংনা লেঙবগী মতিং মঙাল মফম চানা শীজিন্নদুনা কাঙলোন চুম্না শাবা ঙম্নবা হোৎনবগী খোঙথাং অমদি মণিপুরী রাস লীলাগী থৱায় ওইরিবা ভঙ্গি পরেংদা য়াওরিবা মচাকশিংদা মীৎয়েং থমদুনা নৈনবগা লোয়ননা মদুদগী ফংলকপা মচাকশিং অদুবু খঙহনবা মথৌ তাই। ঐখোয়গী খুন্নাইগী ফীভম হঙ্গৎনা য়েংবগা লোয়ননা হৌজিক্কী মীরোলনা ঐখোয়গী শক্তম মাঙখিদনবা করি তৌবা মথৌ তাবগে হায়বা পুথোক্লবা হোৎনবদা অখঙ-অহৈশিংদগী মচা খায়না তমদুনা ওইফম থোকপা ঐখোয়গী শক্তম খঙনা জগোয় শাবগী তঙাইফদবা অদু নৈনবনা মপুং ওইরগা ট্রেনিং কোর্স অসি পাঙথোক্কনি। পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং কোর্স অসিদা ট্রেনি ২০দগী হেন্না লৌরোই।

হান্না জগোয় মখল অমত্তগী ট্রেনিং তৌরক্লিবা নুপা মরি, নুপী তরুক খনগনি। অহানবা ওইনা খল্লবা মীওই ১০দা থাগী ওইনা নৎত্রগা থা ৩গী ওইনা লাকথোক লানশিনগী চাদিং ওইনবা লুপা ১৫০০ পীগনি। করিগুম্বা মপুং ফানা ট্রেনিং কোর্স য়াওদবা তারবদি লৌখিবা শেনফম অদু হন্দোক্কদবনি। ট্রেনিং কোর্স অসি নোংমদা পুং ২দগী হেন্না চত্থরোই। মসিগী মনুংদা পুং ১দি হকচাং ফন্নবা মতিং লৈনা অমদি থেক-নৌনবা শাজেল অমসুং রিদমিক মুভমেন্টশিংদা য়ুম্ফম ওইগনি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা মরুওইনা লাই হরাওবগী জগোয়, চালি শাবগী জগোয় অমদি ভঙ্গি জগোয় মতৌ করম্না পরম চুম্না শাগদগে হায়বগী মতাংদসু নৈনগনি। অদুম ওইনমক ট্রেনিং কোর্স অসিদা য়াওজগে হায়না লাকপা মীওইশিং মখোয় মখোয়গী দান্সিং স্কিল টেষ্ট তৌরবা মতুংদা য়াওবা য়াবগী অয়াবা পীগনি হায়না রঞ্জিৎ অধিকারিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

HL-P/3658/12/8-12/9




# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫। ০৮। ২০২২ ইং, নিংথৌকাবা;
থৱানগী ১৯ নি পনবা।

**মেষ:** ৱাজাউ ঙাংবনা মরুপ মপাংগা মরী ফবা ফবা ৱাৎপা, চরাংনবনা ওইজবা মাঙবা নুমিৎনি। মী লোয়নবা হৈরবা, ইমুং মনুংগী ৱা তারবা থোইনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** ইমুং মনুংগী ৱা লুম্না লৌ অমদি খোইরাংবা ফাথৌ-মাঙবা লৈরোই। নচা-ননাই অমদি মরুপ মপাংগা লোইননা নুংঙাইজবা অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মিথুন:** খুরৌ থাংবা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা লৈরসু অফবা থবক্তা নচাক নরল থাদবা য়াবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি, মীনা থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** মরুপ মপাং অমদি মীয়াম্না তাথিবা নুমিৎনি, শকখংদবনা থবক্তা অকাইবা পীগনি-পংথগনু। য়েক্লববুদি ঙমগনি, লাইগুরুনদি চানবী, লানগে খনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈরাং পুগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**সিংহ:** হেন্না অশা চাওবা অমদি ৱাজাউ ঙাংবা তৌগনু-কায়নবা নংবা য়াই। অদুবু মতাং চারদি থৌনা ফুদোকপা ফগনি, নথক থোংবগী ৱা লুম্না লৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**কন্যা:** লাইবক ফগনি, লন চাওখৎপা অমদি অফবা মীংচৎ ফংবা লৈ। ঙাঙ শকপদা নত্তনা থৌরম শিন্দোকপা হৈগনি। থিবা হুম্বা কন্দ্রদি নচা-ননাইগা য়েৎনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** খাঙবা কনবা, মীতোপ হেন্না থাজদবনা য়েৎনবা অমদি চিংনবা লৈরোই। পাঙনিংবা থবক্তি চিং লেম্না পাঙগনি তৌবতবু অখং অহৈগী ৱাদি তাউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** পাউ নুংঙাই, থাজদনা ওইজবা ফংই, ৱারুরসু মীয়ামগা মরী ফগৎলি, ইমুং মনুং ৱাতান্নবা কান্ননি। নাপলনা মাঙওইনরবা/হোয়া ফরবা নীংবা কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**ধনু:** নচা-ননাই ফংবৈ নুংঙাইজৈ, থৌনা ফুদোকপা হেনগৎকনি অমদি কান্নগনি। ৱাঙাং হৈবদি ৱাৎপনা মরম ইচা চাদনা চোপ্পা য়াবা লৈ, থৌয়াম পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথনা লৈউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মকর:** মীংচৎ ফংগনি, নীংবা মপাসু চাগনি অমদি অনৌবা অফবা অশা লাক্কনি-মাঙহনগনু। য়েৎনবনা মাঙজবা অমদি নচাক নরলদা মীনা য়েংথিবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** অরাপ্পদগী কান্নবা ফংজবা, থাজদনা ওইজবা ফংবা, লান্দবনা নরল চাওখৎপা, পল্লম্বা লন ফংবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। অচুম্বনা মাঙওইনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিন:** হরাওবা, নীংবা মপা চাবা, অনৌবা ৱাখল্লোন্না থৌপাঙবদি শোইদনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। মীয়াম্না য়াই অদুবু নাপল লোয়নরদি অচানবা কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।